খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা ৱারী শান্নখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

গুৱাহাটি, মার্চ ১৩ঃ অসাম ইন্দিজিনস পিপল প্রোটেক্সন কম্মিটি (এ আইপিপিসি) অমদি মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট ওফ অসাম (এম ৱাই এফ এ) গী লিদরশিংগা ক্রিসক মুক্তি শঙ্গরম সমিটি (কেএম এস এস) গী চিফ অখিল গোগোইগা ঙসি গুৱাহাটিদা কেএম এস এসকী ওফিসতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সি এ বি) অসিবু নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অসিদা অকন্নবা ঈহৌ কয়ামরুমগী মনুংদা ব্রহ্মপুত্রা ভেল্লিদা অখিল গোগোইনা লুচিংবা লুপ কয়ামরুম অমদি বরাক ভেল্লিদা এ আই পি পি সি অমদি এম ৱাই এফ এগী অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনখিবগা লোয়ননা বি জে পি গৱর্নমেন্টনসু সি এ বি অসি পাস তৌবা ঙমখিদবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লখি।

এ আই পি পি সিগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম হেরোজিৎনা মীতৈ লেঙয়ান অমা য়াম্দুনা কে এম এস এসকী চিফ অখিল গোগোইবু ইকাই খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোকখি। বরাক অমদি ব্রহ্মপুত্রাদা ইন্দিজিনস পিপলশিংগী ওইবা ইসুশিংদা পুন্না খোঙজং চঙশিনমীন্নবগী অপাম্বশিং ফোঙদোরকখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা এম পি ইলেক্সন অসিগী মতাংদসু অকুপ্পা ৱারী কয়া শান্নখিবগা লোয়ননা বি জে পি মরুফংনা মুখৎনবা হোৎনসি হায়না ৱারী শান্নখি। লোয়ননা এ আই পি পি সি অমদি এম ৱাই এফ এগী টিমনসু থাজবা পীরমখি। লোয়ননা অসাম অমদি নোর্থ ইষ্টকী ইন্দিজিনস পিপলশিংগীদমক সেফগার্দ ওইনবা হোৎনমীন্নসি হায়নসু ফোঙদোক্লখি। ঙসিগী টিম অদুদা এম ৱাই এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি ওক্রম লক্ষিকান্তা, ৱাই অনিল সিংহ, এ সনাজাওবা সিংহ, এ আই পি পি সিগী এদভাইজর তোমিজ উদ্দিন লাসকরনচিংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

থা ১৮ গী খুৎশুমল পীদবগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক হৌখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

জিরি, মার্চ ১৩ঃ মণিপুর পুম্বগী ম্যুনিসিপাল ৱার্দ দিভলপমেন্ট ৱার্করশিংনা হৌখিবা চহী ২০১৭ দগী ঙসি ফাওবা মণিপুর গৱর্নমেন্টনা শিন্নীশিংগী পীফম থোকপা খুৎশুমল পীদবগী মায়োক্তা মতম কক্তবা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং জিরিবামগী শিন্নীশিংনসু ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী চঙশিনবা হৌখ্রে।

জিরিবামগী বাবুপরাদা লৈবা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিস গেট মমাংদা ওল মণিপুর ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি স্কিল এন্দ অন-স্কিল লেবর এসোসিয়েসন মণিপুরনা চথরিবা সিজ ৱার্কষ্ট্রাইক্তা জিরিবামগী শিন্নীশিংনা শরুক য়াদুনা মতম কক্তবা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

খোঙজং অদু তৌরাংবম সরত সিংহ ৱার্করনা হায়, হৌখিবা চহী ২০১৭ গী আগষ্ট থাদগী হৌনা ঙসি ফাওবা থা ১৮ গী শিন্নীশিংগী ফংফম থোকপা খুৎশুমল মণিপুর সরকারনা পীদবা অসিগী মায়োক্তা জিরিবামদসু ঙসিদগী খোঙজং অসি চঙশিনবনি হায়খি।

থা ১৮ গী খুৎশুমল পীরক্তবগী মতাংদা মেমোরেন্দম কয়া মণিপুর গৱর্নমেন্টদা পীশিনবা লৈখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা পোজিটিভ ওইবা রেসপোন্স অমত্তা লৈঙাক্লা পীরকপা লৈত্রি। মসিগীদমক ঙসিদগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অসি চঙশিনবা হৌবনি। ঙসি ঐখোয়না চঙশিল্লিবা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অসি মণিপুর ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি স্কিল এন্দ অন-স্কিল লেবর এসোসিয়েসন মণিপুরনা লৌরকপা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না হায়বদি মণিপুরগী কাউন্সিল ৮ অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগা পুন্না লুপ ৯ না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংনি। খোঙজং অসিদা ম্যুনিসিপাল ওফিসশিং অমদি মফম কয়াদা সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোক্তুনা মণিপুরদা লৈবা লাইরবা শিন্নীশিংগী খুৎশুমল অসি পীথোক্ত্রিবা ফাওবা খোঙজং অসি মখা তানা চঙশিনখিগনি। লোয়ননা মণিপুর গৱর্নমেন্টনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

ঙসিদগী হৌনা চঙশিল্লিবা সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং অসিদা নো পে নো ৱার্ক, ৱি ৱান্ট পার্মিনেন্ট সোলুসন ফোর ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, শিন্নীশিংগী রাইট ফংহনবীয়ু, ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী থা ১৮ গী খুৎশুমল পীথোকপীয়ু হায়না থাবা প্লে-কার্দশিং শিজিন্নদুনা খোঙজং অদু চঙশিনবা হৌখ্রে হায়রি।

বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরগী ওফিস মনুংদা হাংলিবা বুক ষ্টোরদা লাইরিক লৈবা লাক্লরিবশিং

দেসামনা থিগৎলুবদা ৱাহংগী অশোইবশিং থেংনরে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ হৌখিবা মার্চ ৪ দা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌবা ক্লাস টেন একজামিনেসনগী মেথমেটিকস সবজেক্ট থোকপা নুমিৎতা সবেজক্ট অসিগী ৱাহং খরদা অশোইবা অরানবা কয়া থিগৎলুবদা থেংনরে হায়না দেসামগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, একজামিনেসন নুমিৎ অদুগী একজাম লোইরবা মতুংদা মহৈরোই খরনা দেসামদা ৱাকৎলকপগী মতুং ইন্না দেসামনা মেথমেটিকস সবেজক্টকী ক্লেসন অসিগী মতাংদা অখং-অহৈ কয়াগা তান্নদুনা থিগৎলুবা মতমদা সবজেক্ট অসিগী মার্কঅমা পীবা ক্লেসন নম্বর ১, ৭ নি। অদুগা মার্ক ৩ গী ক্লেসন নম্বর ২০ অমদি ২১ অমদি মার্ক ৫ গী ক্লেসন নম্বর ৩০ পুন্না মার্ক ১৩ অসিগী ক্লেসনশিং অসিদা অশোইবা অরানবা কয়া য়াওখ্রে হায়বা অদু খঙবা ঙম্লকপনি।

তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিংগী য়াম্না মরুওইবা একজাম অসিদা ৱাহং অমত্তসু নত্তনা পুন্না মার্ক ১৩ গী ক্লেসন লানবা হায়বা অসি একজাম অসিবু কন্দক্ট তৌরিবা বোর্ড অসিগী চেকশিন্দবা থৌওং অদু মশানা উৎথোকচরকপনি। অসিগুম্বা বোর্দকী ওইবা চেকশিন্দবা অমদি অশোইবা থৌওংশিং অসিনা মরম ওইদুনা মহৈরোইশিংগী পুন্সি মাঙহনবদি কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই। মরম অসিনা বোর্দ অসিনা শোইরে খঙলবা ক্লেসনশিং মীয়াম মমাংদা লাল্লি হায়না শেংদোকপগা লোয়ননা শোইখ্রবা ক্লেসনশিং অদুগী মার্কশিং অসি মহৈরোইশিংদা হাপকদবনি।

অরোইবদা দেসামনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থল্লক্লিবা ৱাফমদি শোইখ্রবা ক্লেসনশিং অসি মতৌ করম্না শোইখিবনো হায়বা অদু বোর্দ অসিনা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিনহনগদবনি। শোইরবা ক্লেসনশিং অদুগী মনুংদা ইংলিসতা ইরিবা ৱাহংগা মীতৈ ময়েক্তা হন্দোক্তুনা ইরিবা ৱাহংগা মান্নদবা কয়া য়াওরিবা অসিসু মতৌ করম্না মান্নদ্রিবনো হায়বা অদু য়েংশিনবীয়ু। লোয়ননা অসিগুম্বা অশোইবা অরানবা কয়া অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা বোর্দনা মীয়াম খঙনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎতুনা মখোয়বু বোর্দ অসিগী মখা তারকপা থবক থৌরমশিংদা হিরম অমত্তদা মরী লৈনহল্লোইদবনি হায়রি।

মুহামদ অব্দুর রহমন খুৎহৈবমদা গোপাল শর্ম্ম এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ য়ুনিস্কোনা লাওথোকখিবগী মতুং ইন্না চহী খুদিংগী ওইনা মার্চ ২১ দা পাঙথোক্লিবা ৱার্দ পোইত্রি দে (মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ) কা মরী লৈননা সাহিত্য থৌপাং লুপনা শিন্দুনা হায়রিবা নুমিৎ অসিদা ওল্ড এসেম্লি রোদতা লৈবা মণিপুরী হিন্দি পরিষদকী হোলদা মনা পীবগী থৌরম অসি পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী পীবা গোপাল শর্ম্ম এৱার্দ পীরগনি। হায়রিবা এৱার্দ অসি ইং ২০১৯ গী ওইনা মণিপুরগী মশক নাইরবা অইবা মুহামদ অব্দুর রহমন খুৎহৈবমদা পীরগনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন ১ অমদি স্বাল ১ য়াওরি।

নুমিৎ অসিবু নিংশিংবগা লোয়ননা এৱার্দ অসি পীরবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা অইবশিংগী শৈরেং নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিদা ফিলিপ নিকোলায়ভ, রোবিন এস ঙাঙোম, দিলিপ ময়েংবম, ৱাংথোই খুমন অমদি তোংব্রম অমরজিৎকী শৈরেংগী মরমদা ৱা ঙাংগনি। ৱা ঙাংগদবশিং অদুদি থৱান, স্বিটি সাপম, দেভদাস মাইরেনবম, ডাঃ ময়া নেপ্রম অমদি ডাঃ কে কুমারি চনুনি হায়না সাহিত্য থৌপাং লুপ শগোলবন্দগী চেরোল অমনা হায়রি।

এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

মোরে, মার্চ ১৩ঃ ঙসি মোরে ৱার্দ নম্বর ২ দা লৈবা ইবিনিজর চর্চতা মণিপুর হ্যুমেন রাইট কম্মিসন অমদি য়ুনাইটেদ এন জি ও মিসন মণিপুর অনিনা পুন্না খুৎশম্নুনা শিন্দুনা হ্যুমেন রাইটকী মতাংদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা খাইদেম মনি চিয়ারমেন এম ঐচ আর সি, দল্লিয়ু বসন্তাকুমার এদভোকেট হ্যুমেন রাইট এলার্ট মণিপুর, নুতন কুমার এদভোকেট, আই দিনেসকুমার এস দি ও মোরে, মঙমিলিয়ন শিংসোন সেক্রেটরি ঐচ টি সি মোরে, থিল্লা খান সেক্রেটরি তামিল শঙ্গম মোরে, যোগরাজ সুভা সেক্রেটরি গুরখা সমাজ মোরে, এম দি নসির খান সেক্রেটরি এম এম সি এম হায়রিবা মীওইশিং অসিনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

খাইদেম মনি চিয়ারমেন এম ঐচ আর সিনা হায়, মীওইবগী হক্কী মরী লৈনবদা খঙফম থোকপা ইশা-ইশাগী হকশিং অদু করিনো হায়বা খঙনবা অদুগী কেম্পেইনগী মচাক অমা ওইনা হ্যুমেন রাইটকী মখাদা পাঙথোকপা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা ইমা লুপকী লুচিংবীশিং অমদি মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

অমুথোইগী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ রূপমহল থিয়েটরগা ম্যুজিক্কী লমদা মতম কুইনদগী শাগোন্নরক্লবা ৱাই অমুথোই সিংহ মনুং মতম চাদনা হৌখিবা মার্চ ৪ দা ইখং খংহৌদনা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱাইনা মপুগী খুয়াদা চঙজখিবদা থিয়েটর অসিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা অসিনা মহাক্না হিংলীঙৈগী মতমদা কৎথোকপগা লোয়ননা থিয়েটর অসিগীদমক হোৎনবীরম্বা কয়াবু শিংথারদুনা মহাক্লা লৈখিদবা অসি মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি হায়না ফোঙদোক্লখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা ঈশ্বরগী খুয়াদা ইংনা-চিক্না লৈরুনবগী মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা অসিগী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু মপুং ফানা শরুক য়াই হায়না রূপমহল থিয়েটরগী সেক্রেটরি ঐচ অচৌবা শর্ম্মগী চেরোল অমনা হায়রি।

লৌতুনদুনা কেন্দিদেটশিংবু কোর্টতা থৌওইনা চৎহনবনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ ইম্ফাল অর্বান কো-ওপরেটিভ বেঙ্ককী দাইরেক্টর খন্নবগী কেন্দিদেটশিংগী নোমিনেসন পেপর স্ক্রুটিনি তৌরবা মতুংদা ইলেক্সন আর ওনা হৌখিবা চহী ২০১৮ গী নভেম্বর ২০ দা থোকখিবা নোটিস অদুদা কেন্দিদেট ৫ দি হান্না সুপরসিট তৌখিবা বোর্দকী দাইরেক্টর ওইরম্বনি। ইলিজিবল ওইদ্রে হায়বা অসি মরম চাদে। বেঙ্ককী বাই লোনা অদুগা মরী লৈনবা এক্ট এন্দ রুল অমত্তদা অথিংবা লৈতে। আর সি এম মণিপুর অমদি আর ওনা লৌতুনদুনা কেন্দিদেটশিং কোর্টতা থৌওইনা চৎহনবনি। চৎনিংদুনা চৎলুবা নত্তে হায়না হায় পৱার কম্মিটি সিয়ার হোল্ডর ইম্ফাল অর্বান কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদকী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, বেঙ্ক অসিগী সিয়ার হোল্ডরশিংগী ওইবা খোঙজংদা দি ইম্ফাল অর্বান বেঙ্ক ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসন্না নহানমখৈ কুইনা তুমদুনা লৈরুবগুম ৱাফম কয়া পাউ-চেগী খুখাংদা ফোঙদোরকখিবা অসি নোক্লিংবা ফাওই। ঐখোয়না খঙবদদি এসোসিয়েসন অসিগী রেজিষ্টার অসি হৌখিবা চহী ২০১৫ গী জুলাই ২৩ দা রেজিষ্টার ওফ ত্রেদ য়ুনিয়ন্না ককখ্রবনি। অদুগা লীগেল এন্টিটি লৈত্রবনি। অমুক্লা মতম অদুগী ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসনগী কন্সটিট্যুসন ক্লোজ নম্বর ১৭ গী মতুং ইন্না একজিক্যুটিভ কম্মিটিগী টার্ম অসি চহী ২ খক্তনি। হৌখিবা চহী ২০১৭ গী ফেব্রুৱারী থাদা অনৌবা ওফিস বিয়ারর খন্নবা জেনরেল বোদি মিটিং কৌবদসু ক্বারম ফাবা ঙমদদুনা মিটিং পোষ্টপোন তৌখিবনি।

আইন্না য়াদবা ইমপ্লোয়ি ৩/৪ খক্না ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসন শাদুনা পাউ-চেশিংগী খুখাংদা ৱাফমশিং ফোঙদোকহন্নিংদে। হৌখিবা চহী ২০১৬-১৭, ২০১৭-১৯ গী বেঙ্ককী ফাইনান্সিয়েল ইয়ার অসিগী আর বি আইনা পীবা রেটিং অদুমক 'সি' নি, 'দি' দগী 'সি' দা হাইগৎলক্লে হায়না লান্না মীয়ামদা সিয়ার হোল্ডরশিংদা চমন্নবা পীফম থোক্তে।

করিগুম্বা 'দি' রেটিংদা লৈবা তারগদি বেঙ্কিং রিগুলেসন এক্ট ১৯৪৯ গী সেক্সন ৩৫ (এ) এন্দ সেক্সন ৩৬ কী মখাদা আর বি আইনা অথিংবা কয়ামরুম থল্লক্কদবনি। মদু ঙদবা মাল্লি। ইম্ফাল অর্বান কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনি হায়বা ইমপ্লোয়ি অসিনা সেনিয়ারিটি লিষ্টতদি মখাদা লৈরগা আর সি এসনা এপ্রুভ তৌদুনা চহী অসিগী হৌখিবা জনুৱারী ১৬ তা থোকখিবা মীওই ২৯ গী প্রমোসন ওর্দর লিষ্টতা নম্বর ১ দা প্রমোসন ফংবসি করি করম্বা অহেনবা টেলেন্ট অমদি ক্বালিফিকেসন লৈবদগীনো হায়বা অসিসু হংবা য়াবা ৱাহংনি। মসিদা ইমপ্লোয়ি মনুংদা চাওনা পেন্নদবা লৈবদগী মণিপুর হায় কোর্টতা ৱাকৎতুনা হায়রিবা প্রমোসন ওর্দর অসি ষ্টে তৌদুনা লৈরিবনি। মদুগী মথক্তসু হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৮ দা পাউ-চে অমদা য়াওখ্রবা ফ্রোদ কয়াদা চেন্নবা মেনেজরবু প্রমোসন ওর্দর অসিদসু য়াওদুনা কোর্টকী ষ্টে লৈরিবা মীওই অসিবু হৌজিক লৈরিবা বেঙ্ককী এদমিনিষ্ট্রেটর (আর সি এস) না নৌনা অমুক এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর (ইন-চার্জ) পীশিনবদি এসোসিয়েসন্না করি য়েংদুনা লৈবগে হায়বা অসিনি। বেঙ্ক অসিদা থোক্লিবা ফ্রোদ, ফেক গোল্ড, বেঙ্কতা থমজিল্লগা লোন লৌরিবা অসিগী মতাংদা এসোসিয়েসন অসিনা করি খোঙথাং লৌখৎপা লৈখ্রবগে হায়না হংলক্লি।

বেঙ্ককী ইলেক্সন প্রোসিদ্যুরগী মতুং ইন্না ইলেক্সন প্রোসেস মনুংদা অনৌবা সিয়ার মেম্বর লৌবা, গ্রুপ ত্রান্সফার, মেম্বর ত্রান্সফার খুদিংমক থিংদুনা লৈরিবনি। অদুবু হৌজিক আর সি এস অসিনা এপ্রুভেল পীদুনা অনৌবা সিয়ার মেম্বর য়াওবা য়াহল্লিবা অসি এসোসিয়েসন অসিনা করি তৌদুনা লৈবগে। মসিগী নুংগী ওইবা মরম করিনো হায়না হংলক্লি।

বেঙ্ক অসিনা বেঙ্ক ইমপ্লোয়ি কয়াগী পুকচাক পুরি হায়বা অসি খঙবনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অকনবা খোঙথাং লৌরক্তবনি। তঙাই ফদ্রবদি দেমোক্রেটিক ওইবা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি। বেঙ্কপু য়াম্না নিংবা শাবা অমদি কিহন-খংহনবগী ৱাহৈ শিজিন্নদুনা ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসনগী মিংদা পাউ-চেশিংদা ফোঙদোরকপনা আই য়ু সি বি লিমিটেদ সিয়ার হোল্ডরশিংতগী ওইবা হায় পৱার কম্মিটিনা অচুম্বদগী নাথৈদুনা কিরগা চৎকদবা নত্তে। ইমপ্লোয়িনা ইমপ্লোয়িবু কৌগদবা নত্তে। বেঙ্কপু তশেংনা নুংশিরবদি রিগুলর বোর্দ ওফ দাইরেক্টর অমা ইন্সটোল তৌনবা কন্না হোৎনরিবা হায় পৱার কম্মিটি সিয়ার হোল্ডর আই য়ু সি বি লিমিটেদকা পুন্না চৎমীন্নবা য়াবনি। মরম অদুনা হায় পৱার কম্মিটিগা অমুক হন্না পাউ-চেগী খুখাংদা অৱাই অখুম তৌনবা পামদে। অথুবা মতমদা সিয়ার হোল্ডরশিংগী ওইবা মীহুৎ বোর্দ ওফ দিরেক্টর অমা বেঙ্ক অসিদা লৈহন্নবা হায় পৱার কম্মিটি সিয়ার হোল্ডর আই য়ু সি বি লিমিটেদনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শারে। হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা বিভাগনসু য়েংশিনবীনবা অপিল তৌরক্লি।

এ আরনা লালহৌবা ফারে, সেক্যুরিটি মিট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর সাউথকী মখাদা ৯ সেক্টর এ আরগী কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন্না মণিপুর পুলিসকা লোয়ননা হৌখিবা তাং ১২ দা থাংমৈবন্দদগী য়ু এন এল এফকী কাদর অমা ফারে হায়রি।

এ আরগী চেরোল অমনা হায়রিবনা, থাংমৈবন্দ এরিয়াদা য়ু এন এল এফকী কাদর খরা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দো য়াওনা জগা অদুদা ওপরেসন চথবদা য়ু এন এল এফকী কাদর ফাখিবনি। ফারবা মীওই অসিগী মথক্তা মখা তাবা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবা মণিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা অমনা হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর সাউথকী মখাদা ১০ সেক্টর এ আরগী সংসট বট্টালিয়ন্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সোর্দে কম্পনি ওপরেটিং বেজতা থাগী ওইবা সেক্যুরিটি মিট পাঙথোকখ্রে। মদুদা ভিলেজ হেদমেন, ভিলেজ ওথোরিটি অমসুং অকোইবদা লৈরিবা খুলশিংগী পাষ্টরশিং শরুক য়াখি।

সেক্যুরিটি মিট অদুদা জগা অদুগী সেক্যুরিটিগী ফীভম মরুওইনা লোক সভা মীখলগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। অসিগুম্বা মখলগী ইন্টরেক্সনশিং অসি অসাম রাইফলসনা নোর্থ ইষ্টতা শান্তি থম্বা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্লি। সেক্যুরিটি মিট অদু লোইশিল্লকপদা চা অমসুং অচা-অথকশিং চামীন্নখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আরগী সাউথকী মখাদা ৯ সেক্টর এ আর য়ুনিটনা দ্রগ ফ্রি মণিপুর ওইহন্নবগী পান্দমদা এন্টি দ্রগ কেম্পেইন অমা পাঙথোকখ্রে। থাগী ওইনা পাঙথোকপা সেক্যুরিটি মিটশিংদা খুঞ্জাশিং, মমা-মপা ওইবশিং অমসুং মৈরা পাইবীশিংগী রেসপোন্স মতুং ইন্না তুলিহল বট্টালিয়ন্না য়ুথশিং অমদি অঙাং ওইবশিংদা দ্রগকী মরমদা নিংথিনা খঙহন্নবা এন্টি দ্রগ কেম্পেইন অসি পাঙথোকখিবনি। কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা বট্টালিয়ন অসিনা অৱাং খুন্নৌদা লৈবা য়ুনিক গোল্ডন ক্রেদল স্কুলদা 'দ্রগ এব্যুস এন্দ নো স্মোকিং' হায়বসিদা ইন্টরেক্টিভ লেকচর অমা পাঙথোকখি। লেকচর অদুদা ওঝা অমসুং ছাত্রা পুন্না ৭০০ কী মথক্ত শরুক য়াখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না দোনবোসকো স্কুল চীংমৈরোংদা এন্টি দ্রগ লেকচর অমা পাঙথোকখ্রে। লেকচর অদু য়ুথশিং অমসুং মহৈরোইশিংদা দ্রগনা পীরিবা চৈথেং কয়া অসিগী মতাংদা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি। লেকচর প্রোগ্রাম অদুগা ইরোইন্না এন্টি দ্রগ রেল্লি অমা দোনবোসকো স্কুলদগী হৌরগা স্কুলগী অকোইবদা চংখি। মদুদা ওঝা অমসুং ছাত্রা ৩৬০ রোমনা শরুক য়াখি। অসাম রাইফলসনা পায়খৎখিবা খোঙথাং অদুদা স্কুলগী ওথোরিটি অমসুং মহৈরোইশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি হায়রি।

দ্রগ লল্লোনবা ১ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ ঙৱাং নুংথিল পুং ২.৫০ রোম তাবদা অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী নাব পুলিস ষ্টেসন্না দ্রগ লল্লোনবা মীওই অমা খোংনাং অনিকারক্কী সিটি হোস্পিতাল মমাংদগী ফারে। ফারবা অদুগী মমিংনা হাওখোলাল খোংশাই (৫৩) অপোকপা থাংখোলুন খোংশাই কৌই। সাইকুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এন জি ফাইনোম ভিলেজতগীনি মীওই অসিদগী ব্রাউন সুগর গ্রাম ৫০০ ফারে হায়রি।

'বোনসাই' উৎকনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ নেস্নেল স্কুল ওফ ড্রামা নিউদিল্লি অমদি ইম্ফাল থিয়েটর অনিনা খুৎশম্নুনা শিন্দুনা চথরকখিবা নুমিৎ ৩০ নিগী ওইবা প্রদক্সন ওরিয়েন্টেদ থিয়েটর ৱার্কসোপ লোইশিন থৌরগী শরুক অমা ওইনা ৱার্কসোপতা য়াওরিবা এক্টরশিংনা কুম্বা ড্রামা 'বোনসাই' হায়না মিংথোনবা অসি ইম্ফালগী রূপমহল থিয়েটরদা লাক্লিবা মার্চ ১৪ গী নুংথিল পুং ৪ তাবদা উৎলগনি। হায়রিবা ড্রামা অসি ৱার্কসোপ দিরেক্টর ওইরিবা লোইতোংবম পারিঙানবা এন এস দি এলুমনসনা ইবা, দিজাইন অমদি দিরেক্সন পীবা ড্রামানি হায়না ইম্ফাল থিয়েটর মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

'ব্রি রিং দি বেল' কেম্পেইন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন মণিপুর, জন বিকাস সমিটিনা শিন্দুনা ঙসি সঙাইপ্রৌদা লৈবা লিফেট স্কুলদা 'ওল চিল্ড্রেন আর ৱেলকম টু স্কুল, ইনক্লুদিং চিল্ড্রেন ৱিথ দিসএবিলিটিস' হায়বা থিমদা 'ব্রি রিং দি বেল' কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন অসি লিলিএন ফাউন্দ নেদরলেন্দগী ইনিসিয়েটিভ মখাদা হৌদোকখিবনি। কেম্পেইন অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর সরকারগী ষ্টেট কম্মিসনর ফোর পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিগী ডাঃ আর কে কুমারজিৎনা হায়খিবদা, মহৈরোইশিং মরুওইনা পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিশিংগীদমক্তা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই ওইবা মীকুপনি। দিসএবিলিটিশিং অসি ওঝা, মহৈরোই, ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং অমসুং ষ্টেট সরকারগী মায়কৈদগী মতেং পাংবীবা চঙই। দিসএবিলিটিশিংগী খোঙথাংশিং ঐখোয়না সপোর্ট তৌবগা লোয়ননা কো-ওপরেসন পীবা মথৌ তাই। লোয়ননা মখোয়বু নোর্মেল মীওই অমগুম্না লোইন্নবীগদবনি।

এৱার্নেস কেম্পেইন অদুদা মহৈরোই কয়ানা তোঙান-তোঙানবা ৱারোলশিং থাবা প্লে-কার্দশিং পাইখি। কেম্পেইন অসি মরুওইনা এদুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদা দিসএবিলিটি ওইরবা অঙাংশিং য়াওহনগদবনি। লোয়ননা গৱর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা সর্ব সিক্ষা অভিয়ান (এস এস এ) গী এদুকেসন ফোর ওল ২০০০-২০০১ অমসুং রাইট টু এদুকেসন (আর টিই) ২০০৯ গী পান্দম অদু লৈবাক অসিদা মপুং ফাহন্নবগীদমক্তা কেম্পেইন অসি পাঙথোকপনি। ব্রি রিং দি বেল হায়বা কেম্পেইন অসি থা অসিগী ২০ দা লোইশিনগনি হায়রি।

কেম্প পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ঃ অমজুনা রিমসকা খুৎশম্নদুনা ৱার্ল্ড কিদনি দেগা মরী লৈননা হয়েং তাং ১৪ দা নোংমগী ওইবা কিদনি দিজিস দিটেক্সন কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কেম্প অসিগীদমক অমজুগী মেম্বরশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা মেদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংদা থবক তৌরিবশিংনা শরুক য়ানবা অপিল তৌরি। কেম্প অসি হয়েং অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী হৌনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

GLOBAL SPOKEN ENGLISH
&
DOT COM COMPUTER
GOURAHARI MARKET, PAONA BAZAR BEHIND POLO GROUND, SBI ATM BOOTH
Most Trusted Institute since 2001 till date...

Features
- Grammar
- Daily Speaking Practice
- Projector class twice a week
- Personality Development class twice a week
- Interview Skills
- Career Counselling

Admit today
Admit today

Class timing
I. 7:00 TO 8:30 AM
II. 11:00 TO 12:30 PM
III. 4:00 TO 5:15 PM

Computer courses are also available at the affordable fee: DCA,CCA,CCP,DTP, MULTIMEDIA,TALLY,etc.
Instructor : Sir Bitam # 9077222273/9089645181/8413946225
NT/NB/3-9 Apr

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE 2019
For NEET (Medical) Aspirants
Class commencement from: - 14th March 2019
SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS
- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X (Current year 2017) (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X (Current year 2017) Through Screening Test.
- Special concessions for all COMET School students (Limited seats)
Prospectus and Admission form available from : 28/01/2019
FIRST COME FIRST SERVE
For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near Keishampat Airport Road Imphal

---

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
NINGTHOUKHONG**

Mutation Case No. 205/SDC/NTK/2019

1) R.K. Birchandra Singh S/o (L) Nabadhip Sana Singh of Ningthoukhong Ward No. 8 2) R.K. (O) Memsana Devi W/o Birchandra Singh of Ningthoukhong Ward No. 8 3) R.K. Memi Devi W/o (L) R.K. Shyamjai Singh of Radha Mandhop Leikai Ward No. 8 4) R.K. Sharat Singh S/o (L) R.K. Nabadhip Singh of -do- 5) R.K. (O) Mema Devi W/o R.K. Sharat Singh of -do-

. . .Petitioners

-Vrs-

1) (L) Nabadhip Sana Singh S/o (L) Lalsana Ningthoukhong. 2) (L) Sanahalsana S/o (L) Ibungsingsana of Ningthoukhong.

. . .O.P.

N O T I C E

Ningthoukhong the 13/3/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি, 44-Ningthoukhong Village গী Patta No. 44/64 (O) 395 (N) C.S. Dag No. 2241 an area 0.70 acres of Ingkhol Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইখ্খোল / লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৯-৩-২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চখগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

NT/76659/14(March)

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST, WANGOI**

Mutation Case No. 100/SDC/IW(W)/2019

1) L. Mangoljao Singh S/o (L) Ningthemjao Singh of Mutum Awang Leikai. 2) L. Ibomcha Singh S/o -do- of -do- 3) L. Rupo Singh S/o -do- of -do-

. . .Petitioners

-Vrs-

Laishram Ningthemjao Singh of Mutum Phibou.

. . .O.P.

N O T I C E

Wangoi, Date 13th March 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃতু Pattadrar Shri Laishram Ningthemjao Singh গী মিংদা পানবা খুন নম্বর 80-Mutum Phibou গী Patta No. 353 কী C.S. Dag No. 219 গী এরিয়া .156 acres, .409 & .156 out of 1.54 acres for the share of petitioner No. 1,2, & 3 of Ingkhol Class Petitioners শিংনা মশাগী / মখোয়গী মিংদা নামা পানশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Wangoi গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২০-৩-২০১৯ কী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চখজগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Wangoi

NT/76658/14(March)

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
KONTHOUJAM**

Mutation Case No. 250/SDC/IW(K) Dt. 8/3/2019

1) Yumkhaibam Amuthoi Singh S/o (L) Yumkhaibam Gokulchand Singh of Sajirok. 2) Yumkhaibam Amuba Singh S/o (L) Yumkhaibam Gokulchand Singh of Sajirok. 3) Yumkhaibam Dewan Singh S/o (L) Y. Gokulchand Singh of Sajirok. 4) Yumkhaibam Sanatomba Singh S/o (L) Y. Gokulchand Singh of Sajirok. 5) Yumkhaibam Tomba Singh S/o (L) Y. Gokulchand Singh of Sajirok.

. . .Petitioners

-Vrs-

(L) Yumkhaibam Gokulchand Singh of Sajirok.

. . .O.P. Party.

N O T I C E

The ....

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি, মৃঃ পাট্টাদার (L) Yumkhaibam Gokulchand Singh সাং Sajirok গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 95-Sajirok গী অনৌবা পাট্টা নং 137, দাগ নম্বর 168 অমসুং এরিয়ানা .53500 acres of Anganphou লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিদা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইখ্খোল। লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Konthoujam

NT/76657/14(March).

**IN THE COURT OF THE ASSISTANT SURVEY &
SETTLEMENT OFFICER KAKCHING, MANIPUR**

Mutation Case No. 158/As & So/ Kakching Dt. 8/3/2019

1) Puyam Naran Singh S/o (L) Maipak Singh of Langathel Mayai Leikai. 2) -do- Sanjoy Singh S/o (L) Angou Singh of -do- 3) -do- Kunjarani Devi W/o (L) Angou Singh of -do- 4) -do- Jipen Singh S/o Naran Singh of -do- 5) -do- Nanda Singh S/o (L) Maipak Singh of -do- 6) -do- Ingobi Singh S/o (L) Angou Singh of -do- 7) -do- Nanaocha Singh S/o Naran Singh of -do- 8) -do- Radhe Devi D/o (L) Maipak Singh of -do- 9) -do- Shana Devi D/o (L) -do- of -do- 10) -do- Sanatombi Devi D/o (L) -do- of -do- 11) -do- Sunolata Devi D/o (L) -do- of -do-

. . .Petitioners

-Vrs-

(L) Puyam Maipak Singh S/o (L) Manaoton Singh of Langathel.

. . .O.P.

N O T I C E

Kakching the 12nd March, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মদুদি Village No. 45-Langathel, Patta No. 284/236 (N), Dag No. 202 (N) an area of .2490 acres Ingkhol Class অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী মশুশিং অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং অসি কক্লগা মাগী মমিংদা নামা ওনশিনবীরো হায়দুনা মথক্কী কোর্ট অসিদা হায়ররে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদারশিংগী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুং অমদি লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা / য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোংবদগীনা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা মশা-মশা লাক্তুনা অইবা চেনা য়ানিংদবগী ৱারোল হাপ্তুনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি। পীরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা Objection তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কোর্টতা কেস মখা চখগনি। মতুংদা লাকপা Objection Court অসিনা লৌরোই।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Kakching

NT/RB/14(March)

PERMANENT CURE
(অচৌবা পকপা)
[illegible]
(তাং-তাং চিকপা)
[illegible]
(দাইবেটিসগী প্রোব্লেম)
[illegible]
(নুংশোং)
[illegible]
(নুপাগী প্রোব্লেম)
[illegible]
(নুপীগী প্রোব্লেম)
[illegible]
Dr. (VAID) R N GUPTA (396)
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice-Cream
Buding 1st Floor, Opp. Senapati Bus Parking